# অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) কপ ২০১৭

## এম এফ এ অমদি বি এস সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ঃ পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু)না শিন্দুনা তিম ২১না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা । পুঙদোংবমদা লৈবা লল্লাই হায়স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চংথরিবা অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু) কপ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অন্দর সেভেন্তিন, নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা মঙাল ফুটবোল একাদেমী (এম এফ এ) খাবম্না সেকেন্দ এম আর এম সি বু ৬–১ দা অমদি বি এস সি ইন্দিয়ান আর্মি খাবম্না জি এস সি য়ুম্নাম খুনৌবু ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি এম এফ এ খাবম অমদি সেকেন্দ এম আর এফ সি অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা অহানবা মেটচ অদুদা এম এফ এ না ৬–১ দা মায়থিবা পীখিবনি। এম এফ এ গী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচ অদুগী মিনট ১১ অমদি ৫৫ দা টিম অসিগী লেনিনা গোল ২ চনখি। মিনট ১৮ অমদি ৩৪ দা কে ঐচ সনামচানা গোল ২ অদুগা মিনট ২৫ চৎপদা বেন জোন্সন্না গোল ১ গা চনখি।

মায়থিহৌরবা সেকেন্দ এম আর গী গোল অদু মেটচ অদুগী মিনট ২৯ চৎপা মতমদা টিম অসিগী নবিন্না চনখিবনি। মেটচ অদুদা নিয়ম লন্না শান্নরুবগীদমক মেটচ অদুগী মিনট ৬ অমদি ৫৯ দা সেকেন্দ এম আর গী রোহিদ অমসুং মৈশিনলুংবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ উৎতুনা বুক তৌখি।

ঙসি অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা জি এস সি য়ুম্নাম খুনৌগা বি এস সি ইন্দিয়ান আর্মি খাবমগা লম্বা তৌনখিবা।

মদুদা বি এস সি না জি এস সি বু অনীশুবদা মায়থিবা পীখিবনি। দি এস সি গী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচ অদুগী মিনট ৬ অমদি ৪৯ দা মথং শিংনা টিম অসিগী রোহেন অমদি সিতলজিৎনা গোল অমমম চনখি।

মেটচ অদুগী মিনট ৩৭ অমদি ৫২ দা বি এস সি গী কিরন অমদি নোংপোক ঙম্বনা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

# খৃস গেলগী রন ৭৭ না রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর আই পি এল গী ২০ শুবা মেটচ মায় পাকহনবা ঙমখ্রে




*রাজকোট, এপ্রিল ১৮ঃ*

ভিভো ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লীগ সিজন ১০ গী ঙসি রাজকোট সহরদা শান্নখিবা ২০শুবা লীগতা রোয়েল চেলেঞ্জর্সকী বেটচমেন খৃস গেলনা বোল ৩৮ দা রন ৭৭ না চাওনা মতেং পাংদুনা য়ুম্বু ওইখিবা গুজরাট লাইওন্সপু রন ২১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী তোচ গুজরাট লাইওন্সকী কেপ্টেন সুরেস রাইনানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী মাইকৈদগী অপীবা ওভর ২০ দা শুপ্নগী ৱিকেট ২ তুরগা রন ২১৩ লৌবা ঙমখি।

রোয়েল চেলেঞ্জর্সকী মাইকৈন্দগী খৃস গেল অমসুং কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা ইন্নিংস হৌরকখি। মদুদা শান্নরোই অনীনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ শেমদুনা ওভর ১২ দা রন ১২২ য়ৌহল্লকখি। খৃস গেলনা বোল ৩৮ মায়োল্লবদা সিক্স ৭ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৭৭ তা আউত ওইখিবদগী অহুমশুবা বেটচমেন ত্রবিস হেদ শান্নবা চঙলকখি।

মহাক্কা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা মখা তানা রন ৩৭ হাপচিন্দুনা লৈরিঙৈ অপুন্বা স্কোর ১৫৯ দা লৈরিঙৈ কেপ্টেন ভিরাট কোহলি মশাগী রন ৬৪শুবদা আউত ওইখি। কোহলিনা রন অদু বোল ৫০ মায়োক্লবদা সিক্স ১গা ফোর ৬ য়ৈরমখি ।

মরিশুবা বেটচমেন কেন্দর যাদব শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা ত্রবিস হেদক্কা মখা তাবা ওভর ৪.১ দা রন ৫৪ হাপচিন্দুনা টিম অদুগী স্কোর অদু ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা রন ২১৩ লৌখি। ত্রবিস অমসুং কেন্দর আউত ওইদনা মথংশিংনা রন ৩০ অমসুং ৩৮ লৌখি।

ঙসি মেটচ অদুগী য়ুম্বু ওইখিবা গুজরাট লাইওন্সনা মায় পাক্লবা রন ২১৪ লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৯২ খক লৌখিবদগী টিম অদু রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী মখুৎতা রন ২১ দা মায়থিবা নঙখি।

টিম অদুগী ইন্নিংস হৌরকপা ওপন্নর দুৱেন স্মিট রন ১ দা আউত ওইখি। মহাক্কী মতুং সুরেস রাইনা অমদি ব্রেন্দন মেকলম না রন ৩৭ ফাওবা শান্নমিন্নখি। রাইনা রন ২৩ দা আউত ওইখি। অরোন ফিন্স শান্নবা চঙলকখি।

ফিন্স অমসুং মেকলমনা গুজরাট লাইওন্সকী স্কোর অদু ১০৩ ফাওবা য়ৌহল্লকখি।

ফিন্স রন ১৯ দা আউত ওইখিবদগী দিনেস করটিক শান্নবা চঙলকখিবনি। মহাকসু ক্রিজদা ইকুই কুইনা লৈবা ঙমখিদে। শুপ্নগী রন ১ লৌরক্লগা আউত ওইখি।

৬শুবা বেটচমেন রবিন্দ্র জাদেজা শান্নবা চঙলকখি। মখোয় অনীনা স্কোর অদু ১৩৭ শুহল্লকপা মেকলম বোল ৪৪ সিক্স ৭ অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা রন ৭২ লৌখি।

মখা তানা ইশান কিশান কন্না হোৎন্দুনা বোল ১৬ তা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ২ য়ৈদুনা রন ৩৯ লৌখ্রবসু ইন্নিংস অদু লোইশিল্লকপা রন ১৯২ খক লৈখিবদগী মেটচ অদু রন ২১ দা মায়থিখি।




*টি ২০ গী পুৱারিদা রন ১০,০০০ লৌবা ঙমখিবা অহানবা শান্নরোই খৃস গেলনা ঙসি বোল ৩৮ রন ৭৭ লৌখিবা*

# ৮শুবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এন্যুয়ল স্পোর্টস মিট ২০১৭ ঙসিদগী হৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (মুসু) না শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ৪ চুপ্পা চংথগদবা ৮শুবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস মিট ২০১৭ ঙসিদগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসতা হৌদোকখ্রে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসতা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোকখি। মদুদা য়ুনিভর্সিটি অসিদা হাংলিবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মহৈরোইশিংনা মশান্নশিং অদুদা শরুক য়াদুনা অথোই–অহেন তান্নখি। ঙসি অহৌনবা নুমিৎকী ওইনা নুপীগীদা টেবল টেন্নিস, বেদমিন্টন অমদি বাস্কেটবোল মশান্নদা অথোই–অহেন তান্নখি। অদুগা নুপাশিংগীনা ফুটবোল, ক্রিকেট অমদি ভোল্লিবোলদা অথোই–অহেন তান্নখি।












## ফুটবোল লভর্স এসোসিয়েসনগী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ঃ*

ফুটবোল লভর্স এসোসিয়েসন, মণিপুরগী মেম্বর খুদিংমক্কী মফমদা খংহঞ্জরি মদুদি লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ মে গী তাং ১৩ অয়ুক্কী পুং ৯ তাবা মতমদা এসোসিয়েসন অসিগী চহিগী ওইবা মীফম অমা ৱাই এ সি গ্রাউন্দদা চাকলেন অমগা লোয়ননা পাঙথোক্লগনি। চাকলেনগী শেলখায়না লুপা ৫০০ মে থাগী তাং ৩ ফাওবগী মনুংদা সেক্রেটরী নত্রগা ত্রেজররদা পীশিনবীয়ু।

হায়রিবা মীফম অসিদা মেম্বর খুদিংমক্না মতম চানা লাকপিদুনা মীফম অসিবু মপুং ফাহনবীনবা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ২৭শুবা সুট্টিং কম্পিটিসন

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ঃ*

মেগী ২১ দগী ২৮ ফাওবা মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা ২৭শুবা সুট্টিং কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি।

কম্পিটিসন অসিবু য়াওনিংবা সুট্টরশিংনা মে ১০ অয়ুক পুং ৭ ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরোলগীদমক শ্রী এল কুলাবন্তা সিংহ দগী খল্লবা য়াগনি হায়রি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*